# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-12-2024)**

**নুপীলাল(এল)ঃ** মনিপুরদা নুপী লাল নুমিৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শাবা লোয়রে।

থৌরম অসি রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী নুপী লাল কমপ্লেক্স অমসুং জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা নুপী লানদা থৱায় কৎখ্রবা নুপীশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

অমরেমাদা, ইম্ফালগী নুপী লাল কমপ্লেক্স অমসুং জে.পি. ৱিমেন্স কলেজগী সেন্ত্রেল হোলদা হয়েং পাঙথোক্কদবা নুপী লাল নুমিৎকা মরী লৈননা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং-মনিপুরগী এস.পি-প্রমেস অরাংম্বমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্টরোমদগী জেনরেল পোষ্ট ওফিস তমা লাকপা গাড়িশিং মোইরাংখোমলোমদা চৎকনি। শিংজমৈরোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা মোইরাংখোমদগী কৈশামথোংলোমদা চৎকনি। থৌরম পাঙথোকফমদা মতম মতমগী ওইনা গাড়ি চংথোক চংশিনদা অহোংবা লৈগনি। অদুমওইনমক, ইসেন্সিএল সার্ভিস গাড়িশিংগী ওইনদি থৈদোক থৈজিন লৈরোই হায়রি।

**রেল্লি(এল)ঃ** মণিপুরদগী আর্ম ফোর্সেস স্পিসিএল পৱর্স এক্ট (অফস্পা) লৌথোকউ অমসুং রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন অথুবদা পুরকউ হায়বা দাবীদা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন ৫ না শিনদুনা ঙরাং মীয়ামগী ওইবা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

ওল মনিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), পোইরৈ

লৈমরোল অপুনবা মৈরা পায়বী, ওল মণিপুর ৱিমেন ভোলূনটরি এসোসিএসন, কম্মিতি ওন হ্যুমেন রাইটস অমসুং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসননা শিন্দুনা পাঙথোখিবা রেল্লি অদু ইম্ফালগী থাংমৈবন্দদা লৈবা থাও গ্রাউন্দদগী হৌরগা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লোয়শিনখি।

**রাষ্ট্রপতিঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা নেসনেল পঞ্চায়ট এৱার্দ ২০২৪ খূৎশিন্নগনি। কুমসি চহীগী ওইনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদগী খনগৎলবা মীওই ৪৫ দা এৱার্দ অসি খূৎশিন্নগনি।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা পঞ্চায়টি রাজ মন্ত্রিনা বুকলেট অমা পুথোক্কনি। বেষ্ট প্রেক্তিসেস ওন ৱার্কস ওফ এৱার্দি পঞ্চায়টস হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মমাঙদা মনা ফংখ্রবশিংগী পায়খৎখিবা থবকশিংদা য়ুমফম ওইরগা পুথোকপনি। মন্ত্রালয়না হায়-নেসনেল পঞ্চায়টি এৱার্দ পীবা অসিনা পঞ্চায়টকী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু হেন্না পুকিং থৌগৎপগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী লম মপুং ফানা চাউখৎহন্নবনি।

**রিলিজঃ** লৈবাক অসিগী খুঙ্গংশিং লু-নান্না থমবগী পান্দমদা কেন্দ্রগী রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়না স্বাচ ভারত মীসন গ্রামিনগী ওইনা চহি অসিগী নবেম্বর থা ফাওবদা কেন্দ্রনা লুপা কোতি লিশিং ১,৮৬৯ কায়থোকখ্রে।

লোক সভাদা ঙরাং ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা মন্ত্রালয়না হায়-শেনফমশিং অদু তোঙান তোঙানবা টোইলেটকী ওইবা পোৎলমশিং লৈবদা শিজিন্ননবনি। মসিগী মনুংদা স্কুল অমসুং অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদা টোইলেট শাবা অমসুং মীয়ামগী ওইবা সেনিটরি কমপ্লেক্স শেমগৎপা য়াওরি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা ঙরাং অনৌবা

ক্রিমিনেল লো অহুম চৎনবা হৌখিবগী মতাংদা হন্না য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুদা হরিয়ানাগী মুখ্য মন্ত্রি-নায়ব সিংহ সাইনি শরুক য়াখি। অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম অসি চৎনরবা হৌরকপদগী পুলিস, কৈশুমশঙশিং, কোর্ট, প্রোজিক্যুসন অমসুং ফোরেন্সিকনচিংবগী মতাংদা লৈরিবা প্রোভিজনশিং হন্না য়েংশিনখি। থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি, হরিয়ানাগী দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস, দাইরেক্তর জেনরেলস ওফ ব্যুরো ওফ পুলিস রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট, নেসনেল ক্রাইম রেকোর্ড ব্যুরোগী দিরেক্তর জেনরেল অমসুং সেনিয়ার ওফিসারশিং শরুক য়াখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমসুং রাসিয়াগী রাস্ত্রপতি-ৱ্লাদিমির পুতিনগা মোস্কোদা ঙরাং ২১ শুবা ইন্দিয়া-রাসিয়া ইন্টর গভরমেন্টেল কম্মিসন ওন মিলিটরি এন্দ মিলিটরি কোওপরেসনগী মতাংদা খন্নখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়-লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিং অমসুং লৈবাক অনিগী ওইবা ঙাকশেলগী লমদা তেংবাং পীনবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। উন্নবা অদুদা শ্রী রাজনাথ সিংহনা ভারত অমসুং রাসিয়া লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদুবু নীংশিংদুনা হায়-ন্যু দিল্লিদা মতম পুন্সিদা রাসিয়াগীদমক লেপ্পুনা লাক্লি অমসুং মখা তানসু লেপখিগনি।

**সিতারামনঃ** কেন্দ্রনা হায়রি-নেসনেল বেঙ্ক ফোর এগ্রিকলচর এন্দ রুরেল দেভলপমেন্টনা ত্রাইভেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা ত্রাইভেল দেভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা শেন্থং পীথরি। হৌখিবা চহী ১৮ অসিদা প্রোজেক্ট ১০২৯ গী শেন্থং পীথখ্রে। কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারামননা হায়-ত্রাইভেল দেভলপমেন্ট ফন্দ অসি ইং ২০০৫-০৬ তগী হৌদোকখিবনি।

অমরোমদা, শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারামননা হায়-কেন্দ্র সরকারনা লাক্লিবা চহী ৩ অসিদা বিমা শখি লাখ ২ রোম খনগৎকনি। হরিয়ানাগী পনিপটতা

পাঙথোকপা বিমা শখি য়োজনা হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রীমতি সিতারামননা হায়-বিমা শখিশিংদা অহানবা চহীদা থা অমদা লূপা লিশিং ৭-৭ স্তাইপেন্দ ওইনা পীগনি। অনিশুবা চহীদা থা খুদিংগী লিশিং ৬-৬ স্তাইপেন্দ ওইনা পীগনি।

**নুপীঃ** ভারত্তা নুপীশিং মপান থোক্তুনা থবক শুবগী চাং হেনগৎলক্লি।

ইং ২০১৭-১৮ গা য়েংনবদা ইং ২০২২-২৩ দা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা নুপীশিং মশিং য়ামা থোরক্তুনা থবক শুবগী চাং হেনগৎলক্লি। ফিমেল লেবর ফোর্স পার্টিসিপেসন রেটকী রিছার্সকী মতুং ইন্না খুঙ্গংগী লমশিংদা নুপীশিং থবক শুবা হেনগৎলকপগী চাং চাদা ২৪ দগীনা ৪১ রোম ফাওবা অদুগা সহরগী লমদনা চাদা ২০ দগী ২৫ ফাওবগী চাং ওইরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অফস্পা লৌথোকউ, মনিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা খোঙচৎ চৎখিবা পাউ অমসুং হ্যুমেন রাইটস ডে পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মী লাখ হেনবনা ইম্ফাল ময়োলদা অচৌবা খোঙচৎ চৎখ্রে হায়না পোকফম পাউচেদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

অফস্পা লৌথোকউ, মনিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা খোঙচৎ পাঙথোকখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মনিপুর মেল, ঈচেল এক্সপ্রেস, মনিপুর ন্যুজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, মোরনিং বেল, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং হুইয়েন লানপাউদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌরি।

ইন্টরনেসনেল হ্যুমেন রাইটস ডেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

কাংপোকপীদা লম একর ১৪ দা থারম্বা পোপীশিং য়ানথংখ্রে। পোপী য়ানথংপদা শরুক য়াখিবা সি.আর.পি.এফশিং সি.এমনা থাগৎখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিং ঙৌশোক ঙৌরকপদগী থকপা কিন্নরে, তিলিপতি হত্তাগী মপানদা মীওই কয়া ইরুজশিল্লে, ফত্ত-হৌদি চামশিল্লে হায়বা পাউ অমা সনা লৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ক্বাক্তা বোম ব্লাষ্টকী কেস গুৱাহাতিদা ট্রান্সফর তৌখ্রে। অকুপ্পশিং এন.আই.এনা থল্লক্লে হায়বা হেদলাইনগী মখাদা এন.আই.এগী কোর্ট অনি অমসু ইম্ফালদা হাংলগনি হায়না বোক্স আইটেম ওইনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

আই.এল.পিগী দিমান্দদা থৱায় কৎখিবা অমদি শোকখিবশিংদা লুপ ১৩ না ইকায় খুমবা উৎলক্লি হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী লান অমসুং অদানিগী ৱাথোক খন্নগদবনি হায়দুনা সি.পি.আইনা তামিল নাদুদা রেল্লি চৎখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ভারত সরকার অমসুং জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অনিগী মঙাশুবা রাউন্দগী ৱারী দিল্লিদা শান্নখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এন.পি.এম.আর.ঐচনা সেনাপতিদা হ্যুমেন রাইটস ডে পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।